# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-08-2024)**

**আগষ্ট ১৫(এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা ঙসি ৭৮ শুবা নীংতম ন্মিৎ পাঙথোক্লি। ভিক্সি ভারত @ ২০৪৭ হায়বা থিমদা কুমশি চহিগী নীংতম নুমিৎ পাঙথোক্লি।

ন্যু দিল্লিগী ঐতিহাসিক ওইরবা লাল কিলাদা পাঙথোকপা মপুং ওইবা থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী নীংখা তম বগীদমক্তা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা লৈবাক অসিগী মীয়ামনা মখোয়গী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি। অথৌবশিং অদুনা চোকথবা লৈতনা লৈবাক অসিগীদমক কৎথোক্লবশিং অদু ইতিহাসনা শাক্ষি ওইরি। মখোয়না কৎথোক্লম্বশিং অদু ঙসিগী মীরোলনা তুং ইনবগী তঙাইফদবা লৈ। অথৌবশিং অদুগী ই ঙসিশু ঐখোইগী হকচাংদা চেল্লি। মসি ঐখোই খুদিংমক্কী চাওথোকচনিঙাইনি। ভারতপু হেন্না চাউখৎপা অমদি মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক্কী থৌদাং লৈ। শ্রী মোদিনা মখা তানা হায়-লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমকা নীংতমা অমদি নীংখা তন্বগী মংলান অদু মংফাওনহনবা ঙম্লবদি লৈবাক অসিনা থেংনরিবা সমস্যা কয়া অসি মায়োকবা ঙমগনি অমদি ভারতপু ভিক্সিত ভারত ওইহনবা ঙমগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিদা থোকপা মহৌশাগী খুদোংথিবা কয়াদা মীওই কয়াগী পুন্সি অমসুং লন-থুম কয়া মাং তাকখ্রে। মখোয়গী অৱাবশিং অদুদা লৈবাক অসিগী মীয়ামনা মখোয়গী অৱাবদা মপুং ফানা শরুক য়ারি।

মদুগী মমাংদা, প্রধান মন্ত্রিনা রাজঘাটতা লৈবা মহাত্মা গান্ধিগী মুর্ত্তি লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মনিপুরদসু নুমিৎ অসি রাজ্য সরকারনা শিনদুনা অহানবা মনিপুর রাইফলসকী পেরেড গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা লৈবাক অসিগী মচু অহুগী ফিরাল চিংখৎকনি।

নুমিৎ অসি রাজ্যগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী হেদক্বাটরশিং, রাজ্যগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিং, মহৈ লোইশঙশিং অমদি লন্নাই লুপ কয়ানসু পাঙথোকরি।

থৌরম অসি মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোক্লি। থৌরম অসিদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্র, সি.এল.পি. লুচিংবা ওক্রম ইবোবী অমদি সি.ডব্লিয়ু.সিগী মেম্বর গাইখাঙম শরুক য়ারি।

অকাশবানি ইম্ফালগী ষ্টাফশিংনসু নুমিৎ অসিগী থৌরম ওফিস অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অকাশবানি ইম্ফালগী হেদ ওফ ওফিস-এন. নন্দাকুমার অমসুং হেদ ওফ প্রোগ্রাম-তুকেশ্বরি এলাংবমনা লুচিংদুনা নীংতম নুমিৎকা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎখি।

থৌরম অদুদা হেদ ওফ প্রোগ্রাম-তুকেশ্বরি এলাংবমনা অসুমা হায়-

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা অকাশবানি ইম্ফালগী হেদ ওফ ওফিস-এন. নন্দাকুমারনা লুচিংদুনা কমপ্লেক্স অসিগী অকোইবদা উ চারাশিং থাখি।

**দিংগো(এল)ঃ** সোসিএল ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোনা সেকমাইগী মাপ দাপ যুম্ফম রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগা উন্নদুনা মখোয়গী অৱাৎ অপাশিং য়েংশিনখ্রে।

মন্ত্রিনা ঙরাং মফম অদুদা চৎতুনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগা উন্নদুনা অনা-অয়েক য়াওরিবশিংগী ফিভমসু য়েংশিনখি। মহাকা হায়-সেকমাই কেন্দ্র অসি হ দক্কী ইরাং অসিদা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা কেন্দ্রশিংগী মনুংদা অমনি।

লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হনজিলহন্নবা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী লমজিং মখাদা য়ামা কন্না হোৎনরি।

**চেয়ারপার্সন(এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী নৌনা চেয়ারপার্সন ওইনবা থুমলিপ তিনিংফম মোনশাং হাপখ্রে।

রাজ্যগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি (সোসিএল ৱেলফিয়ার) ওইরিবা এন. জিওফ্রিনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না শ্রীমতি মোনশাংনা হায়রিবা ফম অসি চহি অহুম নৎত্রগা মশাগী চহি ৬৫ শুদ্রিবা ফাওবা পায়গনি। নৌনা ফম পায়রবা শ্রীমতি মোনশাংনা ঙরাংদগী হৌনা কম্মিসনদা থবক পুবা হৌখ্রে।

**নোনে** ঃ নোনে জিলাদা মৈ ফঙদবনা মরম ওইরগা লমদম অদগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরে হায়রি। বেঙ্ক, মহৈলোইশঙশিং অমদি লনাই সেক্তর কয়াদা চাওনা অকাইবা কয়া থোক্লে। হিরম অসিগা মরি লৈন্না জিলা অসিগী দিপ্যুটি কম্মিস্নারগা সি.এস.ওশিংগী মীহুৎশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

**এৱার্ড** ঃ রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা আর্মদ ফোর্সেস অমসুং সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সেস পার্সোনেলশিংদা গেলেন্টরি এৱার্ড ১০৩ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মসিগী মনুংদা ক্রিতি চক্র মরি, সৌরিয়া চক্র ১৮, বার সেনা মেদল (গেলেন্টরি) মেদল অমা য়াওরি।

গেলেন্টরি এৱার্ডশিংগী মনুংদা সেনা মেদল ৬৩ য়াওরি। মসিগী মনুংদা নৌ সেনা মেদল ১১ অমসুং ভাইয়ু সেনা মেদল তরুক য়াওরি। রাস্ত্রপতিনা প্রসিদেন্টস পুলিস মেদল ফোর দিসতিংগুইস সার্ভির্সেস অমসুং পুলিস মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিসগী মনাশিংসু পীরগনি হায়না লাউথোকখি।

গৃহ মন্ত্রালয়না লৈবাক অসিগী পুলিস, ফয়ার, হোম গার্ড এন্দ সিভিল

দিফেন্স অমদি করেক্সেনেল সার্ভিসকী পুন্না মেদল লিশিং ১,০৩৭ কী মিং লাউথোকপদা মনিপুরদগী পুলিস পার্সোনেল ৮, ফয়ার সার্ভিসকী অনি অমসুং করেক্সেনেল সার্ভিসকী অমা য়াওরি।

**চৌহানঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা ঙসি নীংতম নুমিৎকা মরী লৈননা নেসনেল পেস্ত সরভিলেন্স সিষ্টেম হৌদোক্কনি।

এগ্রীলকচর এন্দ ফামরস ৱেলফিয়ার বিভাগনা পুথোকপা অনৌবা দিজিটেলগী থৌরাং অসিনা লৌমীশিংদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স য়াওনা অনৌবা টেকোলোজিশিংগী খুণ্থাংদা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা লৌশিং পীবা ঙম্লগনি।

**রামসারঃ** ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ মন্ত্রি-ভুপেন্দ্র যাদবনা হায়রি-ভারতকী ওইনা অনৌবা রামসার সাইট অহুম হাপচিনদুনা হৌজিক লৈবাক অসিগী অপুনবা রামসার সাইট ৮৫ শুরে।

নৌনা হাপচিল্লবা রামসার সাইটশিং অদুদি-তামিল নাদুদা লৈবা ননজারায়ন বার্দ সেঙ্কচুরি, কটসহুবেলি অমসুং মধ্য প্রদেসকী তাৱা রিজারভরনি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মহৌশাগা পুন্না শান্তি ওইনা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন অদু খোঙথাং অসিনা মায় পাকপা ঙমহল্লে। মহাকা হায়-মহাক্কী সরকার অসিনা মাংজিল থানা অসিগুম্বা খোঙথাং অসি মখা তানা পায়খৎখিগনি।

**সেক্রেটরিঃ** সেনিয়ার আই.এস. ওফিসার-গোবিন্দ মোহোন, কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরগনি। মহাক, থা অসিগী ২২ দা থবক্তগী পোত্থারগদবা অজয় কুমার বালাগী মহুৎ শিনগনি। ১৯৮৯ বেটচকী ওফিসার অসি হৌজিক হৌজিক কলচর মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি ওইরি।